**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি আজয় তমতানা ঙসি কাংপোকপী জিলাদা চত্তুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা কেন্দ্র অমসুং রাজ্যগী স্কিমশিংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

২) বি.জে.পি লুচিংবা অনি- বি.এল. শন্তোস অমসুং সম্বিৎ পত্রনা ঙসি চুরাচান্দপুরগী সদভাবনা মান্দপ রিলিফ সেন্তরদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে।

৩) মণিপুরদা ওকতা নাবা আফ্রিকান স্বাইন ফিভর ককচিং অমদি চুরাচান্দপুর জিলাদা থেংনরে।

৪) রাজ্য অসিদা হকচংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংনা য়ু.দি.আই.দি. সার্তিফিকেট পায়বগী মশিং লাখ ১ গী মনুংদা লিশিং ১৬ রোমতমক ওইরি।

অমসুং

৫) বিহার বিধান সভা মীখলগী ভোৎ মশিং হয়েং থীগনি। রাজ্য অদুগী জিলা ৩৮ গী কাউন্টিং সেন্তর ৪৬ তা ভোৎ মশিং থীগনি।

------

তমতা (এল)ঃ কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি আজয় তমতানা ঙসি কাংপোকপী জিলাদা চত্তুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা কেন্দ্র অমসুং

রাজ্যগী স্কিমশিংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসি নুমিৎ হুমিগী মণিপুর খোঙচৎতা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইম্ফালদা থুংলখিবনি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শ্রী তমতানা হায়- ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী কোহিমা শরুক্তা অপনবা লৈরিবশিং লৌথোক্তুনা পোৎ চৈ পুবা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাহন্নবা থবক পায়খৎলি। লম্বী অসি গুৱাহাতি ফাওবা চৎপগী খ্বাইদগী শন্বা লম্বী অমসু ওইরি হায়রদুনা শ্রী তমতানা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিংনা লম্বী অসি শেম শাবগী মতাংদা লৌরিবা থৌদাংশিং থাগৎপা ফোংদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী নিখিল সরজৱার্ট অমদি অতৈ ওফিসিয়েল লোয়নখি।

সন্বিৎ (এল)ঃ বি.জে.পি লুচিংবা অনি- বি.এল. শন্তোস অমসুং সন্বিৎ পত্রনা ঙসি চুরাচান্দপুরগী সদভাবনা মান্দপ রিলিফ সেন্তরদা চত্তুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে। খোঙচৎ অদুদা শ্রী সন্বিৎ পত্রনা হায়- আই.দি.পি. কেম্প অসিদা লাক্তুনা অৱাৎপশিং য়েংশিনবনি। মখোয়না বি.জে.পি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট শ্রী থাংঙম হাওকিপ অমসুং অতৈ দলগী লুচিংবশিং, তোঙান তোঙানবা সি.এস.ও লুচিংবশিংগসু উন্নখি। তুংদা, মখোয়না সেনাপতি দি.আর.দি.এ হোলদা মরাম খুলগী লুচিংবশিংগা উন্নখি। অদুগা ইম্ফালদা হল্লক্লবা মতুং মখোয়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোই খোঙনাংখোঙদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চত্তুনা আই.দি.পিশিংগা উন্নখি।

ভেটরিনারি (এল)ঃ মণিপুরদা ওকতা নাবা আফ্রিকান স্বাইন ফিভর ককচিং অমদি চুরাচান্দপুর জিলাদা থেংনরে।

রাজ্য সরকারগী ভেটরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর আর.কে.খগেন্দ্রজিৎনা হায়- লায়না অসি ককচিং জিলাদা মোইরাংথেম লৈকাই খল্লাংবা পরেং অমসুং ককচিং তুরেল ৱাংমদা থেংনখি। চুরাচান্দপুর জিলাদনা খাইমুওন-কংভাই খুলদা থেংনখিবনি। অনাবা ওক সেবা

তৌরিবা মীওইশিংগী মখুৎ মশাদগী অতোপ্পা ওকশিংদা শন্দোরকবগী ওইথোকপা চাউনা লৈ। মরম অদুনা লায়না অসি শন্দোকপা থিংনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

দাইবেটিস (এল)ঃ মালেমগী দাইবেতিস নুমিৎ ২০২৫ হয়েং পাঙথোক্কনি। রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসনা শিন্দুনা পালন থৌরম অসি মণিপুরদসু হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হিরমদি- দাইবেতিস এন্দ ৱেলবিং এট দ ৱার্ক প্লেস হায়বসিনি।

পালন থৌরম অসিগী মাংওইননা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ পাউ কাংবুগা ঙসি অখন্ননা উন্নবদা ষ্টেট নোদেল ওফিসার (এন.সি.দি) ডাঃ ৱাই. প্রেমচন্দ্র সিংহনা হায়- দাইবেতিস হায়বা লায়না অসি হৌজিক্তি হকশেলগী ওইবা অনাবা খক ওইনা লৌনদ্রে। সমাজ অমসুং শিনফম খুদিংমক্তা শিংনবা অমা ওইরক্লে। থবক শুফমদা কুইনা ফমজিনবা, পুকিং ৱাখল ৱাবা, চাবা থকপা নাইদবা, তুম্বগী চাং ৱাৎপা অসিনচিংবা কয়া অসিনা লায়না হেনগৎলকবগী অচৌবা মরম ওইরি।

পালন থৌরম অসি হয়েং জিলা জিলাশিংগী ওইনস্ প্রাইমারি হেলথ সেন্তর অমদি আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দিরশিংদসু পাঙথোক্কনি।

চান্দেল (এল)ঃ ঈশিং হৎকোক হায়না খঙনবা এসিয়ান ৱাটর মোনিতর লিজার্দ অমা দি.এফ.ও চান্দেল অমসুং মহাক্কী ষ্টাফশিংনা ঙসি উমংদা থাদোকখ্রে। হাংকোক অদু থাদোক্লদুনা চান্দেলগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার ডাঃ এন. মুনালনা হায়- হাংকোক মখল অসি ৱাইল্ড লাইফ প্রোতেক্সন এক্ট ১৯৭২ গী মতুংইন্না সেদ্যুল ৱানদা চনবা জিব মখল অমনি। হায়রিবা হাংকোক মখল অসি কনাগুম্বনা ফাবা নত্রগা হাৎপদা চহি অহুম জেলদা থম্বা নত্রগা লুপা লিশিং ২৫ দগী তাদনা ফাইন থিহনবা য়াই।

দিসএবল (এল)ঃ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজগী ষ্টেট কম্মিসনার দব্লিউ. বিহারিনা হায়রি- রাজ্য অসিদা হকচংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংনা য়ু.দি.আই.দি. সার্তিফিকেট পায়বশিংগী মশিং অসি লাখ ১ রোমগী মনুংদা লিশিং ১৬ রোমতমক ওইরি।

ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজনা শিন্দুনা ঙসি হোতেল ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসার, মেদিকেল ওথোরিতি অমদি এন.জি.ওশিংগী কোওর্দিনেসন মীতিংদা শ্রী বিহারনা পাউমীশিং হায়- রাজ্য অসিদা লৈরিবা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা খুদিংমক্তা য়ুনিক দিসএবিলিতি আই.দি (য়ু.দি.আই.দি) সার্তিফিকেটশিং সরকারনা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং অসি লৌবা মতমদা তঙাইফদে। মরম অসিনা সরকারগী মরী লৈনবা বিভাগশিংনা পুনশিন্দুনা সার্তিফিকেটশিং অসি অরাইবা মওংদা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিং অসিদা ফংহন্নবা হোৎনশি।

থৌরম অদুদা চীফ মেদিকেল ওফিসারশিং, সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগ, রিমস, জেনিমসকী ওফিসিয়েলশিং অমদি এন.জি.ওশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

কাউ (এল)ঃ সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালনা শিন্দুনা রিজনেল এগ্রি ফিয়ার ২০২৫-২৬ মেঘালয়গী কিরদিমকুলাইদা লৈবা কলেজ ওফ এগ্রিকলচরদা পাঙথোক্লগনি।

য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর ডাঃ অনুপম মিশ্রাগী লুচিং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এগ্রি ফিয়ার অসি থা অসিগী ১৭ তগী ১৯ ফাওবা চথগনি।

সেমিনার (এল)ঃ অসাম অমসুং মণিপুরগা লৈনরিবা ইতিহাস, কলচর অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী মরীশিংগী মতাংদা নুমিৎ হুমিগী ওইবা অন্তরজাতিগী সেমিনার ঙসিদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা হৌখ্রে। সেমিনার অসি কলেজ দিভলপমেন্ট কাউন্সিল ইন্তেলেকচুয়েল ফোরম ওফ নোর্থ ইষ্টনা দিপার্টমেন্ট এনসেন্ট হিষ্টরি এন্দ আর্কিওলোজি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্রো সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

ভেন (এল)ঃ রাজ্য অসিদা স্কুল ভেন সার্ভিস তৌরিবশিংগী এসোসিয়েসনশিংদা শেলগী দিমান্দ তৌরকপা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি স্কুল ভেন থৌরিবা দ্রাইভরশিংনা থবক লেপ্তুনা মফম কয়াদা পাক শন্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। খোঙজং অদু স্কুল ১৭ তা ভেন সার্ভিস তৌরিবা দ্রাইভরশিংনা চথখিবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ, কোংবা ওলা লম্পাক, ইরিলবুং, মন্ত্রিপুখ্রি ক্রোসিং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী উরিপোক, লম্বোই খোঙনাংখোঙ মেলা গ্রাউন্দ, চঙাংগৈ চৌধুরি পুখ্রি কম্ম্যুনিতি হোল, লুৱাংশংবম মখা লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোল য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা স্কুল ভেনদা দিমান্দনচিংবা তৌবীদনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্লেকার্দশিং পায়খি।

দ্রাইভর (এল)ঃ নোনে পুলিস ষ্টেসনগী অয়াবা মতুংইন্না খামদুনা লৈবা ত্রক দ্রাইভরশিংদগী শেল মুনবা, ফুবা চৈবা য়াওনা খামদুনা লৈবা গাড়িশিং থুগাইবগী থৌওং য়ানিংদে হায়না ওল মণিপুর রোড ত্রান্সপোর্ট, দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এম.জি. এভিন্যুদা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মসিগী জেনেরেল সেক্রেতরি- মাইমোম অনিলনা হায়- মীয়ামগীদমক অহিং নুংথিল নাইদনা সেবা তৌরিবা দ্রাইভরশিংদা অসিগুম্বা থৌওং চথবা অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা থৌওং চথরিবশিং অদুগী মথক্তা রাজ্যপাল, চীফ সেক্রেতরি অমসুং হোম বিভাগনা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা আইনগী ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীনবসু শ্রী অনিলনা পুকিং চিংশিল্লক্লি।

অমুর (এল)ঃ সেটেলাইট ট্রান্সমিতর হাপ্লবা অমুর ফালকোন অনি অপাপং অমসুং এলাং বঙ্গলাদেশ য়ৌখে। অদুগা অতোপ্পা অমুর ফালকোন অমদি হৌজিক হৌজিক তমেংলোংগী চিঊলুৰানদা লৈরি। অমুর ফালকোন অহুম অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চিঊলুৰান রুষ্টিং সাইটতা সেটেলাইট টেগ তৌখিবনি।

সেনাপতি (এল)ঃসেনাপতি জিলাগী মল্টিপরপজ হোলদা ঙসি জন জাতিয়া গৌরব বর্স ষ্টেট লেবেল ট্রাইবেল কার্নিবাল পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ভগবনা বিরসা মুন্দাগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন পালনগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা শিনবনি।

জিরিবাম(এল)ঃ জিরিবাম জিলাদা সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা হয়েং সরদার এদ ১৫০ য়ুনিতি মার্চ চৎনবা শেম শাবা লোইরে। খোঙচৎ অসি ঈচেল ক্লব দিবোংদগী হৌরগা দি.সি. ওফিস জিরিবাম ফাওবা চৎকনি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগী ভোৎ মশিং হয়েং থীগনি। রাজ্য অদুগী জিলা ৩৮ গী কাউন্টিং সেন্তর ৪৬ তা ভোৎ মশিং থীগনি। ভোৎ মশিং থীবা অয়ুক পুং ৮ দগী হৌগনি। তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা শিজিন্নখিবা ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি.পেদশিং সেক্যুরিতিনা মরোল অহুম থোকা ঙাকপা ষ্ট্রোং রুমশিংদা থল্লি।

সেক্যুরিতিগী অহানবা মরোলদা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সনা ঙাক্লি। মপান থংবা শরুক্তনা ষ্টেট পুলিসনা নিংথিনা ঙাক শেল্লি। মসিগী মথক্তা সি.সি.টি.ভি খিন্দুনা অশোই অঙাম থোক্তনবা কুপশেন শেন্নরি। তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিতি কাংলুপশিংনা ষ্ট্রোং রুমশিং অদু অশোই অঙাম থোক্তনবা কুপশে শেন্নদুনা লৈরি।

পনবা য়াই, বিহার বিধান সভা মীখলগী ভোৎ তাঙ্কক অনিরক থোকা থা অসিগী ৬ অমদি ১১ দা পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ১৪৩ দা থাদনখি। অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা জিলা ১৮ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা নুপী মীরেপ ১২২ অমসুং ত্রান্সজেন্দর ১ য়াওনা পুন্না মীরেপ লিশিং ১,৩১৪ না লম্বা থেংনখি। অনিসুবা তাঙ্কক্তুনা জিলা ২০ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা নুপী ১৩৬ য়াওনা মীরেপ লিশিং ১,৩০২ না লম্বা তৌনখিবনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ঙরাং কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা অয়াবা পীখিবা ক্রেদিৎ গেরেন্তি স্কিম ফোর এক্সপোটরস অসিনা মালেমগী ওইনা চাং তান্নবা, অয়েৎ অপন লৈতনা লল্লোন ঈতিক তৌবা হেনগৎলহল্লগনি অমসুং ভারতপু মীপাল তাংদবা লৈবাক অমা ওইহনবদা মতেং ওইরগনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলশিংদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলগী ৱারেপ অদুবু শ্রী মোদিনা থাগৎখি। মহাকা হায়- এক্সপোর্ট প্রমোসন মিসনগী মপাল লমদা পোৎ চৈ থাদোকপগী চাং তান্নবদা ফিভম ফগৎহল্লগনি অমসুং এম.এস.এম.ইশিং অহানবা ওইনা মপাল লমদা পোৎ য়োল্লিবশিং অমসুং শিন্মীদা য়ুম্ফম ওইনা উদ্যোগশিংদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

ফুটবোলঃ পোল ষ্টার কলেজ-ৱাবগাইনা শিনদুনা চথরিবা অয়েকপম প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা কে.এম.সি ককচিংনা পোল ষ্টার কলেজ হিয়াংলম ৱাবগাইবু পাঞ্জল ৩-০ দা, থম্বাল মরিক কলেজনা সি.আই কলেজবু পাঞ্জল ৫-৩ দা, প্রভাবতি কলেজনা লিলোং হাওরৈবী কলেজবু পাঞ্জল ৫-৪ দা অমসুং ককচিং খুনৌ কলেজনা ৱেষ্টর্ন কলেজবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

ফুটবোল ঃ  ৩ সুবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- সোসিয়েল স্পোর্তিং ক্লব অমসুং ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লব পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা- শঙাই হিরোজনা অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

আরচরি ঃ  ধাকাদা পাঙথোক্লিবা ২৪ শুবা এসিয়ান আরচরি চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা ভারতনা সনাগী তকমান অনি অমসুং লুপাগী তকমান ১ লৌবা ঙমখ্রে।

ভারতকী দিপসিখা জ্যোথি সুরেখা বরমন অমসুং প্রিথিকা প্রদিপকী টিমনা কম্পাউন্দদা সনাগী তকমান অমা লৌবা ঙমখি। ভারতকী নুপীগী টিম অসিনা কোরিয়াবু ফাইনেলদা পোইন্ট ২৩৬-২৩৪ দা থোইখি। অভিসেখ বরমা অমসুং দিপসিখাগী টিমনা কম্পাউন্দ মিক্স টিম ইভেন্টতা সনাগী তকমান অমা লৌবা ঙমখি। ভারতকী টিম অসিনা বঙ্গলাদেশপু পোইন্ট ১৫৩-১৫১ দা থোইখি।

------